**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13.03.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৩-০৩-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙান্থোইনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মনিপুরদা হৌজিক তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরিবসি দ্রগ অমদি ১৯৬১ গী মতুংদা আইন কায়না চংলকপা মাতোপশিংনা থোকহনবনি হায়বসি হৌজিক্তি মীয়ামা খঙনরক্লে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি -মনিপুরগী ঙমখৈ অমদি য়েলহৌ ফুরুপশিংবু কনবা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী লেংদ্রবা অচৎপা ফীরেপনি।

৩) রিজনেল কন্নেক্তিবিতি স্কিম -উরে দেশ কা আম নাগারিক্কী মখাদা ঙসি মনিপুরগী ওইনা হেলিকোপ্তর পেসেঞ্জর সার্ভিস হৌদোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা শোত্থরবা কাংলুপশিংগী ওন্তরপ্রেন্যুরশিংবু ক্রেদিট সপোর্ট পীনবা স্কিম হৌদোকপগী থৌরমদা মনিপুরগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ভরচুয়েল ওইনা শরুক য়াখ্রে।

**অমসুং**

৫) সিস্তেমেতিক ভোটরস ইদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন (স্বিপ)কী মতাংদা নোংমগী ওইবা ইন্তিগ্রেতেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিজ প্রোগ্রাম অমা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**পার্ক(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মনিপুরদা হৌজিক তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরিবসি দ্রগ অমদি ১৯৬১ গী মতুংদা আইন কায়না চংলকপা মীওইশিংনা থোকহনবনি হায়বসি হৌজিক্তি মীয়ামা খঙনরক্লে।

মনিপুরগী অহানবা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অৱাং পোৎশঙবমগী থেঙ্গু চিংজিনদা শাবা ৱাটর এম্যুসমেন্ত পার্ক ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্ব বিরেন সিংহনা শঙ্গাখ্রে। পনবা য়াবদি, পার্ক অসি ফাইনান্স মন্ত্রালয়গী এস.এ.এস.সি.ইগী মখাদা রাজ্য সরকারনা শাবনি। লুপা কোতি ৪০ গী প্রোজেক্ট অসি রাজ্য সরকারনা লুপা কোতি ১০, কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি ৩০ পুথোক্তুনা চহি অনিগী মনুংদা শাবনি।

মনিপুর সরকারগী টুরিজম বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোকপা শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীখল মতম নকশিল্লকপনা মীখলগী

কেম্পইন কয়াদা ঙাংনিং ঙাংনিংবা ঙাংনরক্কনি। ঙাংনরিবা কয়া অদুনা লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংদা শোক্কনি নত্রগা শোক্লোই হায়বসি খণ্ডন্থাবগী ৰাখলদুদি লৈরোই । হৌজিক ওইরিবা রাজ্য সিগী ফীভম অসি দ্রগনা থোকহল্লকপনি অমদি ১৯৬১ গী মতুংদা লাকপা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টসশিংনা ওইহল্লকপনি হায়বসি মীয়াম পুমমকা ৰাখল তারকপা হৌরক্লে। মসি ইলেক্সনগী কেম্পেইনদা লান্না পুথোকবা হোৎনবিরক্কনু ।

শ্রী বিরেননা হায়-মনিপুরগী পুৱারিদা অৱাবা তাঙ্কক কয়া লৈখি। তাঙ্কক কয়া অদু লোইখিদুনা ইংনা চিকা লৈরক্লবা লমদম অসিদা খণ্ডহৌদনা মে ৩ দগী থোক্লকখিবা থৌহন্নীংদবা থৌদোক অসিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। লন-থুম কয়া অমাং অতা থোক্তুনা লৈরি। তংদু লৈতাদনা লৈরিবা রাজ্য অমা ওইরগসু ঐখোয় হিংদবা য়াদে, রাজ্যসু ঙাক্কনি অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবকসু লেপ্পা য়াদে হায়দুনা ঙসি মনিপুরগী অহানবা ৰাটর এম্যুসমেন্ত পার্ক অসি শঙ্গাবনি। অৱাংপোশঙবমদা য়ুনিতি মোল অমা অমদি কৈকোলদা মীওই লিশিং ২ রোম পুনবা য়াবা কনভেন্সন সেন্তর অমসু শারগনি।

মহাকা হায়- কালেন থা য়ৌশিল্লকপা অমদি লমদম অসিগী মীয়াম চরাংনবা ফীভমদা লৈরুবা অসি ঙাইহাক্তং ওইরবসু পোত্থানবা হায়দুনা থৌরাং অসি সরকারনা পায়খৎপনি। শ্রী বিরেননা মখা তানা হায়- মে ৩ দগী হৌদুনা থোক্লিবা ইরাং অসিদা অৱাবা নংদুনা রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক সরকার অসিনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। খুদম ওইনা মীওই অমমমদা লুপা লিশিং অমমম পীবগী তাঙ্কক অহুমলক শুখ্রে, ইমুং মনুংগী ওইনসু লুপা লিশিং ৫ পীদুনা অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং পায়খৎলি। মসিদসু নত্তনা লৌ উবা য়াদ্রবা লৌপুশিংগীদমক অপুনবা শেনফম লুপা কোতি ১৮ গা লাখ ৬০ হেননা কম্পেনসিয়েসনগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে। অঙাংশিংগী মহে মশিং তম্বা অমদি লৈফম চাফমগীদমক সরকার অসিনা হোৎনরি।

**--সাউন্দ সি.এম--**

থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম.পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ ন্যুমাই, য়াস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজম, আই.পি.আর মন্ত্রি ডা: সাপম রঞ্জন সিংহ, সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো , এম.এল.এশিং, এল.দি.এগী চিয়রমেন, মনিপুরগী চিফ সেক্রেটরি বিনিট জোসি অমদি সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ শরুক য়াখি।

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি -মনিপুরগী ঙমখৈ অমদি য়েলহৌ ফুরুপশিংবু কনবা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী লেংদ্রবা অচৎপা ফীরেপনি।মসিদা মহাক্কী রাজনিতিগী খোংচৎ য়াওনা পুন্সি মহিংদা শিংনবা কয়া লাকপা য়াই অদুবু লমদম অসিগী তুংগী মীরোলগী য়াইফনবা হনবা লৈতনা থেংনখিগনি।

ৱাফম অসি ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী পোকফম লমদম ওইরিবা লুৱাশঙবমগী ইবুধৌ লুৱাংপোকপগী থৌগল শংলেন মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। ইবুধৌ লুৱাংপোকপা থৌগল লুপনা শিন্দুনা ইবুধৌ লুৱাংপোকপা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরেননা হায়- মহাক্কী রাজনিতিগী খোংচৎ অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা ঙসি রাজ্য অসিদা মুখ্য মন্ত্রি অমা ওইবা ফংলিবা অসি মহাক্কী পোকফম লমদমদা লৈরিবা অহল লমন, মরুপ মপাং অমদি ইবুধৌগী থৌজালদগীনি। মরম অদুনা কেন্দ্রগী মীয়ামগা লোয়নদুনা নুংঙাইনা লৈবা পাম্মী অদুবু মনিপুরগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা তুংগী মীরোল কনদবা য়াদে হায়বা ৱাখলনা নুংঙাইনা লৈথোকপা ঙমদে। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- লুৱাংশঙবম খুঙ্গং অসি শান্নখোৎনবদা মমীং লৈবা খুঙ্গং অমা ওইনা হৌরকখিবনি। মহাক মশা মকসু শান্নরোই অমা ওইনা হৌরকখি। মরম অদুনা খুল অসিদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোলগী মখাদা ফুটবোল একাদমি অমা লিংননবা থৌরাং তৌরি।

**--সাউন্দ সি.এম.--**

**সি.এম(এল)ঃ** সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না পায়খৎপা রিজনেল কন্নেক্তিবিতি স্কিম -উরে দেশকা আম নাগারিক্কী মখাদা ঙসি মনিপুরগী ওইনা হেলিকোপ্তর পেসেঞ্জর সার্ভিস মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হৌদোকখ্রে। ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েত্তা ভরচুয়েলগী খুৎথাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নম্বোল ফাইয়র সব স্তেসন অমদি লোইতাং খুনৌ ফাইয়র সব-স্তেসনগী তেম্পাররি গেরেজ অনিশু শঙ্গাখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়- রিজনেল কন্নেক্তিবিতি স্কিম উরানগী মখাদা রাজ্য সরকারনা অতোপ্পা পাৱন হন্স হেলিকোপ্তর সার্ভিস অমসু মীয়ামদা ফংহনবা ঙম্লে।

অসিগুম্বা খোংথাং পায়খৎপিরকপগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোংদোক্লি লোয়ননা সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি জোতিরধিত্যা সিন্ধিয়াবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি । মহাকা হায়- হেলিকোপ্তর সার্ভিস অসিনা মীয়ামদা কান্নবা পীবা খক্তা নত্তনা সরকারগী থবক থৌরমশিংদসু কান্নবা কয়া অমা পীরগনি। হৌজিক্তি সরকার অসিনা দারকার লৈরকপা মতমদা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদসু লায়না চৎপা ঙম্লগনি। সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না জিরিবাম, মোরে, পারবুং, তমেংলোং অমসুং থানলোনগী হেলিপেদশিং শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লুপা কোতি ৫২ লাখ ১৩ হৌখিবা চহি ২০২১ দা কায়থোকখ্রে। হেলিপেদশিং অসি হৌজিক শেমগৎ শাগৎপগী থবক চৎথরি । অথুবা মতমদা শেন্বা লোইশিল্লগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

ইম্ফাল তমেংলোংগী হেলিকোপ্তর সার্ভিসকী ভারা লুপা ৩৫৯০ , জিরিবাম-তাংমেংলোংগী ওইনসু লুপা ৩৫৯০ অদগা ইম্ফাল-জিরিবামগী ওইনা লুপা ৩০৪৫ ওইগনি হায়রি। স্কিম অসিগী মখাদা সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না মনিপুরগী রুট ৫- জিরিবাম, মোরে, পারবুং, তমেংলোং অমদি থানলোন অয়াবা পীরকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- জিরিবাম অমদি তমেংলোংগী হেলিকোপ্তর সার্ভিস ঙসি হৌদোকখ্রে। লেমহৌরিবা অতৈ রুটশিংগী ওইনসু অথুবদা হৌদোক্লগনি হায়রি।

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --

**গভর্নর(এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা শোত্থরবা কাংলুপশিংগী ওন্তরপ্রেন্যুরশিংবু ক্রেদিট সপোর্ট পীনবা স্কিম হৌদোকপগা থৌরমদা মনিপুরগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ভরচুয়েল ওইনা শরুক য়াখ্রে। ইম্ফাগী রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ ভবনগী ওফিসার, ষ্টাফ অমসুং সি.আর.পি.এফকী পর্সনেলশিং শরুক য়াখি।

পনবা য়াই , সোসিয়েল জস্তিস অমসুং ইম্পাৱরমেন্ত দিপার্টমেন্তনা সমাজতা শোত্থরবা মীওইশিংদা শিক্ষা,সেল থুম অমসুং সোসিয়েল ইম্পাৱরমেন্ত পীনবা হোৎনরি । মসিগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংনা আউট রিচ প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা নেসনেল পোর্তেল প্রধান মন্ত্রি সমাজিক উথান এন্দ রোজগার অধারিট জন কল্যান (পি.এম সুরজ)হৌদোকখি।

**বি.জে.পি(এল)ঃ** নাগালেন্দ সরকারগী টুরিজম মত্রি টেমজেন ইমনা অলোংনা হায়রি- ভারত্যা জনন্তা পার্টিনা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কংলা শঙ্গোম শঙদা পাঙথোকখিবা বি.জে.পিগী

মেনিফেস্তো কেম্পেইনদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রি টেমজেননা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী মীৎয়েং মখাদা অনা লায়েংগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া হৌদোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা কয়া অমা ফংহল্লি। মসিদসু নত্তনা লায়রবা কোকহন্নবা স্কিম কয়াসু লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

**--সাউন্দ টেমজেন--**

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর সরকারগী কেফ এন্দ পি.দি মন্ত্রি লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা হায়- বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকার অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি মীয়ামগীদমক্তনি। মনিপুরদা এন.আর.সি চৎননবা হোৎনবা, বোদর ফেন্সিং খান্নবা হোৎনবা,আই.এল.পি চৎনহল্লকপনচিংবা কয়া অসি বি.জে.পিনা মনিপুরগী মীয়াম্বু নুংশিজবগী ময়েক লারবা খুদমনি।

**আই.সি.এ.আর(এল)ঃ** আই.সি.এ.আর -কে.ভি.কে তমেংলোং অমসুং কে.ভি.কে উখ্রুলগী ১৪ শুবা সাইন্তিফিক এদভাইজরি কম্মীতিগী মীফম ঙসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর মনিপুর সেন্তরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা নোনে, তমেংলোং, উখ্রুল অমসুং কামজোংগী লৌমীশিংদা কান্নবা পীগদবা ২০২৪ গী অকুপ্পা এক্সন প্লানগী মতাংদা খন্নখি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** ওপসেরন সদ ভবনাগী মখাদা তমেংলোং জিলাগী কহুলোং ভিলেজতা শাবা ৱাটরস স্তোরেজ টেঙ্ক ঙসি অসাম রাইফলসনা শঙ্গাখ্রে। ঙসি শঙ্গাখিবা ৱাটর স্তোরেজ তেঙ্ক অসিগী মতেংনা মফম অদুগী মীয়ামদা শিজিন্নবা, লৌউ শিংউবা অমসুং অতৈ হিরমশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মীওই ২৫০ রোম শরুক য়াখি। থৌরমদুদা নাৎকী ওইবা জগোই কয়াসু উৎখি।

**এ.আর(এল)ঃ** নো স্মোক্কীং দে থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা সে নো টু দ্রগস হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খঙমিন্নবগী লেকচর

প্রোগ্রাম অমা নোনে জিলাগী টুপুল ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ময়াই কাবা চিঞ্জাক শিজিন্নবনা মাংজবা কয়া অমা লৈ। মসিনা মীওইবগী ৱাখল-হকচাংদা অমদি শেল থুমদা মাংজবা কয়া অমা লৈহায়বা অসি মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

**এ.আর(এল):** হেদক্বাটর ইন্সপেক্তর জেনরেল আসম রাইফলস সাউথকী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা সেক্যুরিতি মীফম অমা চুরাচান্দপুর জিলাদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা জিলা অসিগী এস খোলেন ভিলেজকী ভিলেজ চিফশিং অমদি খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা নিয়ম চুমা অমদি শান্তি লৈনা পাঙথোকবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

তেংনৌপাল জিলাগী ক্বাথা ভিলেজতসু অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা লমদম অসিদা অথুবদা শান্তি পুরকবগী মতাংদা মীয়ামগা খন্না নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফ ম অদুদা হান্নগা এম.এল.এ বিজয় কোয়জম অমদি অসাম রাইফলসকী কম্মান্দর শরুক য়াখি। তুংদা খুন অদুগী অঙাংশিংদা স্কুল বেগ, স্তেসন্নরিগী পোৎলমশিং অমদি লাইরিকশিং য়েন্থোকখি অমদি মেদিকেল চেক অপ অমসু পাঙথোকখি।

অগাপথ স্কিমগী মখাদা অগাভির রিক্রুটমেন্তগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা লৈবা টি-মিনৌ ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্কিম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি।

**একজাম(এল):** থা অসিগী ১৫ দগী হৌরগা এপ্রিল ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টেনগী পারিক্ষা অসিবু থাগদৌরিবা মহৈরোই পুমমক্তা ওল মনিপুর স্টুদেন্স গারজিয়নস ওর্গনাইজেসনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ওর্গনাইজেসন অসিগী চেরোল অমদা হায়- পুন্না মহৈরোই ৩৭৪৭৮ না শরুক য়াদুনা থাগদৌরিবা পারিক্ষা অসিবু লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা মতেং পাংদুনা অশোই অঙাম য়াওদনা থাহন্নবা হোৎনমিন্নসি ।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**স্বিপ(এল)ঃ** সিস্তেমেতিক ভোটরস ইদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন (স্বিপ)কী মতাংদা নোংমগী ওইবা ইন্তিগ্রেতেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিজ প্রোগ্রাম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী পুরুম চুম্বাং ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। ভারত সরকারগী হনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাস্তিং মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, ফিল্ড ওফিস চান্দেল অমসুং ইম্ফাল রিজননা পুন্না শিন্বা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কুইজ কম্পীতিসন অমসুং রেল্লি পাঙথোকখি।

ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাস্তিং মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিন্দুনা সিস্তামেতিক ভোতর ইদুকেসন অমদি ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন(স্বিপ)কী নোংমগী ওইবা ইন্তিগ্রেতেদ কম্যুনিকেসন অমদি আউট রিচ প্রোগ্রাম অমা ঙসি তমেংলোং জিলাগী তৌশেম খুলেন্দা লৈবা তৌশেম গভর্নমেন্ত হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুল মেনেজমেন্ত দিভলপমেন্ত কম্মীতিগী কনভেন্নর পি.সিয়লাক, সি.বি.সি আর.ও ইম্ফালগী রিজনেল দাইরেক্তর ডা: এঙম পামে শরুক য়াখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মনিপুরদা হৌজিক তংদু লৈতোদবা ফীভম অমদা লৈরিবসি দ্রগ অমদি ১৯৬১ গী মতুংদা আইন কায়না চংলকপা মীতোপশিংনা থোকহনবনি হায়বসি হৌজিক্তি মীয়ামা খঙনরক্লে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি -মনিপুরগী ঙমখৈ অমদি য়েলহৌ ফুরুপশিংবু কনবা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী লেংদ্রবা অচৎপা ফীরেপনি।

৩) রিজনেল কন্নেক্তিবিতি স্কিম -উরে দেশ কা আম নাগারিক্কী মখাদা ঙসি মনিপুরগী ওইনা হেলিকোপ্তর পেসেঞ্জর সার্ভিস হৌদোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা শোত্থরবা কাংলুপশিংগী ওন্তরপ্রেন্যুরশিংবু ক্রেদিট সপোর্ট পীনবা স্কিম হৌদোকপগী থৌরমদা মনিপুরগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ভরচুয়েল ওইনা শরুক য়াখ্রে।

**অমসুং**

৫) সিস্তেমেতিক ভোটরস ইদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন (স্বিপ)কী মতাংদা নোংমগী ওইবা ইন্তিগ্রেতেদ কম্ম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিজ প্রোগ্রাম অমা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

**--- পাউ লোইজরে---**